# মাইক্রোফাইনান্স পলস

ভোল্যুম ৭- নবেম্বর, ২০২০



## এনালাইতিকেল কন্তেক্ত

### ইকুইফেক্স

কিরন
সমুদ্রাল ভি.পি.
-এনালাইতিক্স
kiran.samudrala@equifax.com

শ্রুতী জোশী
এ.ভি.পি. এনাইলাইতিক্স
shruti.joshi@equifax.com

খয়াতী খজুরিয়া
এ.এম. এনালাইতিক্স
khayati.khajuria@equifax.com

বন্দনা পঞ্চল সেনিয়র
এক্স-এনালাইতিক্স
vandana.panchal@equifax.com

### এস.আই.দি.বি.আই.

কাইলাশ চন্দর ভানু
সি.জি.এম.- ই.আর.দি.এ.ভি.
erdav@sidbi.in

রঙ্গদাশ প্রভাবতী
দি.জি.এম.-ই.আর.দি.এ.ভি.
erdav@sidbi.in

রামেশ কুমার
এম.এম.-
ই.আর.দি.এ.ভি.
rameshk@sidbi.in

# ইন্দেক্স


- একজেক্যুতিভ সম্মেরী ০৩
- এব্রিভিএসন অমসুং গ্লোসরী ০৪
- মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রী ওবর্ভ্যু ০৫
- দিসবর্সমেন্ত ত্রেন্দ ০৮
- ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল ১১
- জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর ১৩
- এম.এফ.আই. ইন্দস্ত্রী অমসুং কোবিদ-১৯ ১৬
- এস্পিরেস্নেল জিলা ১৮
- স্তেৎশিংগী মপুং ফাবা প্রোফাইলঃ বিহার ২১

## একজেক্যুতিব সম্মেরী

ঐখোয়গী ন্যুস লেত্তর অসিদা তরাম্না ওকচরি। ঐখোয়গী চেফোঙ খুদিংনা অদোমগী মফমদা মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীদা অহোংবা লৈরিবশিং অসি খঙহল্লি হায়না ঐখোয়না থাজবা থম্মি। মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী ৭শুবা চেফোঙ অসিনা য়েন্থোকপা অমসুং পোর্তফোলিগী চৎনবীশিং, ইন্দস্ত্রীগী ইন্সতিত্যুসনশিংগী চৎনবীগা লোয়ননা জিওগ্রাফীগী হোংলক্লিবা দাইনামিক্সতা মিৎয়েং চংলি।

সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা, মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রী সর্ভিসনা চাউরাক্লা করোর ৬কী হৌজিক শেল পুরীবা মীওইশিং লৈখি। মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মতাংদা ১৪%গী ৱাই-ও-ৱাইগী শাহৌ লৌখি। সেপ্তেম্বর ৩০। ২০২০ ফাওবগী মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অসি করোর ২,২৭,৮৪৪নি। এস.এফ.বি.না ২৪%গী খ্বাইদগী য়াম্বা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী ৱাই-ও-ৱাইগী শাহৌ লৌখি। পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মাইকৈদা বেঙ্কশিংনা৪১%গী চাংদা তেংবাংলি অমসুং এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না ৩১%গী চাং ওইদুনা তুং ইল্লি।

মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীসু তপ্না ফগৎলক্লি অমসুং এ.এম.জে. ২০গা চাংদম্নবদা ভোল্যুমগী চাংদনা ৩০০% অমসুং ভেল্যুগী চাংদনা ৩৯৩% হেন্দুনা জে.এ.এস. ২০দা লুপা করোর ৩২,৩৭৫গী শেনফমগী অপুনবা লোন লাখ ৯২ পীথখ্রে। লোনগী ৭০%গী চাংদি লিশিং ১০ অমস্নগ ৫০গী মনুংদনি। লোন পীথোকপগী মতাংদনা ক্বার্তর খুদিংগী ওইনা বেঙ্কনা তেংবাংবগী চাংনা খ্বাইদগী য়ামখি অমসুং এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না তুং ইনখি। ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস.না জে.এ.এস. ১৯দগী জে.এ.এস. ২০দা ৫%গী চাংদা শাহৌ লৌবগী ফিভম উবা ফংখি। সেপ্তেম্বর ২০২০দা থবক পাংথোক্তবদগী শোকপগী চাং অসি ক্বার্তর খুদিংদা ১৯.৮৩% ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি।

খ্বাইদগী মকোক থোংবা রাজ্য ৯না পেন ইন্দিয়াগী পোর্তফোলিওদা ৭৫%গী চাং হেন্না তেংবাংখি। তমিল নাদু অপ্পমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলনা মশা মশাগী ওইনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা ১৫%গী চাংদা তেংবাংনখি। তমিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৯০+গী থবক শোকপগী চাং অসি মথংশিংনা ০.২৫% অমসুং ০.৩৮%দা লৈনখি। এস্পিরেস্নেল জিলাশিংনা পেন ইন্দিয়াগী আউৎস্তেন্দিং বেলেন্সতা ১২%গী চাংদা তেংবাংখি অমসুং ৯০+গী থবক শোকপগী চাং অসিনা ০.৩৫%দা লৈখি।

বিহারনা পেন ইন্দিয়াগী ওইনা পি.ও.এস.কী হীরমদা পেন ইন্দিয়াগী ১১%গী শরুক লৈদুনা মকোক থোংবা অহুমশুবদা লৈখি। সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী বিহারগী এ.তি.এস. অসি ৩৮,২০৯নি অমসুং মসিনা পেন ইন্দিয়াগী এ.তি.এস.তগী ৮%গী চাংদা হেনখি। বিহারদা, বেঙ্কনা ৪২,৭৪৩ লৈদুনা  খ্বাইদগী য়াম্বা হৌরমফম ওইখি অমসুং এস.এফ.বি.না ৪১,৪৫৭ ওইদুনা তুং ইনখি। সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী ওইনা বিহারগী ৯০+গী থবক শোকপগী চাং অসি ০.১৮% ওইখি।

কোবিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মালেম খুদিংগী সেক্তর পুম্নগী থবকশিংদা অপনবা পীখি। মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসনশিংসু মসিগী অপনবা পীবগী থৌওংশিং অসিসু থেংনবা য়াওখি। মকোক থোংবা রাজ্য ৫গী লোন পীবগী ভোল্যুম অমসুং ভেল্যুদা তেংবাংবা অসি জে.এ.এস. ১৯দা ৫৬% ওইখি অমসুং মসিগী মশিং অসি লাইচৎ লৈবনা মরম ওইদুনা জে.এ.এস. ২০দা ৫২%দা হন্থরকখি। জে.এ.এস. ১৯দা, মকোক থোংবা রাজ্য ৫না অপুনবা লোন লাখ ১০৩ পীথোকখি। জে.এ.এস. ২০দা মকোক থোংবা রাজ্য ৫না লোন লাখ ৪৯ পীথোকখি অমসুং মসিনা জে.এ.এস. ১৯গা চাংদম্নবদা ৫৩%গী চাংদা হন্থখি। শেল পীথোকপগী শেনফম অসিসু জে.এ.এস. ১৯দগী ২০দা ৫০%গী চাংদা হন্থখি।

## এবিভিএসন অমসুং গ্লোসরী


- এ.তি.এস. (তিকেৎকী চাংচৎকী পাক চাউবআ)=পীথোকখ্রবা শেনফম/লোন মশীং
- দি.পি.দি.= মতম হেন্দোক্লবা নুমিৎ মশীং
- লাইব পি.ও.এস. বোরোৱর নত্তগা এক্তিব লোন= দি.পি.দি. ০দগী ১৭৯ ফাওবা+অনৌবা একাউন্ত+হৌজিক লৈরিবা একাউন্ত
- এম.এফ.আই.=মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসন
- পি.ও.এস.=পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং
- য়ু.তি.=য়ুনিয়ন তেরিতরী
- নিতি আয়োগনা জনুৱারি ২০১৮দা হকশেল অমসুং ন্যুত্রিসন, এজুকেসন, লৌউ-শিংউ অমসুং ঈশিং ফংফম, শেল থুমগী হীরমশিং মনুং চনবা, স্কিল লৈহনবা অমসুং তঙাই ফদবা ইনফ্রাস্ত্রকচরশিঙ্গুম্বা মপুং ওইবা ইন্দিকেতরশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ত ইন্দেক্স ফগৎহন্নবগীদমক্তা শকখঙলবা এস্পিরেস্নেল জিলা (এ.দি.)-জিলা (হৌজিক্কী মশীংনা ১১৭ ওইরিবা)।
- ১-১৭৯=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ১দগী ১৭৯ ফাওবা
- ১-২৯=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ১দগী ২৯ ফাওবা
- ৩০-৫৯=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ৩০দগী ৫৯ ফাওবা
- ৬০-৮৯=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ৬০দগী ৮৯ ফাওবা
- ৯-১৭৯=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ৯০দগী ১৭৯ ফাওবা
- ৩০+ দেলিঙ্কেন্সী=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ৩০দগী ১৭৯ ফাওবা
- ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী=দি.পি.দি./লাইব পি.ও.এস. ৯০দগী ১৭৯ ফাওবা
- জে.এ.এস. ১৯=জুলাই ২০১৯দগী সেপ্তেম্বর ২০১৯ ফাওবা
- ও.এন.দি. ১৯= ওক্তোবর ২০১৯দগী দিসেম্বর ২০১৯ ফাওবা
- জে.এফ.এম. ২০= জনুৱারি ২০২০দগী মার্চ ২০২০ ফাওবা
- এ.এম.জে. ২০= এপ্রিল ২০২০দগী জুন ২০২০ ফাওবা
- জে.এ.এস. ২০= জুলাই ২০২০দগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবা

# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীবু মপুং ওইনা য়েংবা



## মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রী স্নেপশোৎ - সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবা

গ্রাফ-০১





| সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবগী স্নেপশোৎ | বেঙ্কশিং | এস.এফ.বি.শিং | এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.শিং | এন.বি.এফ.সি. শিং | প্রোফিৎ এম.এফ.আই. শিং নত্তবশিং | অপুনবা ইন্দস্ত্রী |
|---|---|---|---|---|---|---|
| য়ুনিক লাইব বোরোৱরশিং('০০০) | ২৫,৩২০ | ১৪,৪২৩ | ২৪,৭২৯ | ৭,৭৯১ | ৭৮১ | ৭৩,০৪৪ |
| এক্তিব লোনশিং ('০০০) | ৩৬,৭২৬ | ২০,৩২৯ | ৩৬,১৭৭ | ৮,৫৮০ | ১,০৫২ | ১০২,৮৬৪ |
| পোর্তফোলিও (করোরদা) | ৯৩,৪১০ | ৪২,৬৮২ | ৭০,১৪২ | ১৯,৮৩৮ | ১,৭৭২ | ২২৭,৮৪৪ |
| য়েন্থোকখ্রবা শেনফম (করোরদা)- জে.এ.এস. ২০ | ১৭,৩০১ | ৪,৪১১ | ৯,০৫১ | ১,১৭২ | ৪৪০ | ৩২,৩৭৫ |
| তিকেৎকী চাংচৎকী অচৌবা (‘)-জে.এ.এস. ২০ | ৩৮,৮৬২ | ৩১,৬৭৮ | ৩১,৯৫৬ | ৩২,০০৬ | ২৯,৭১৯ | ৩৫,২২৫ |
| ৩০+ দেলিঙ্কেন্সী(পি.ও.এস.) | ৬.০৩% | ২.৭৯% | ৪.২১% | ২.০৪% | ১.৩৪% | ৪.৪৮% |
| ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী(পি.ও.এস.) | ০.৩৯% | ০.২৬% | ১.২৫% | ০.৩৫% | ০.৫৩% | ০.৬৩% |

- সেপতেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবগী ইন্দস্ত্রী পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অসি বেঙ্কনা মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীবু ৪১%গী মার্কেৎকী শরুক লৈদুনা লমজিংবা অসি লুপা করোর ২২৭,৮৪৪নি৷
- লোকদাউন ক্বার্তর (এ.এম.জে. ২০)গী মথক্তা ৩৯৩%গী ক্যু.-ও.-ক্ক্যু.গী শাহৌ লৈদুনা জে.এ.এস. ২০গী ক্বার্তরগী পীথোকখ্রবা শেনফম অসি লুপা করোর ৩২,৩৭৫ য়ৌরে৷ য়েন্থোকখিবা শেনফমগী মশিং অসি জুন ২০২০দা করোর ৬,০৪০ ওইবদগী সেপ্তেম্বর ২০২০দা করোর ১২,৭২৪ য়ৌখি৷
- মসিগী শেল পীথোকপদা শাহৌ লৌবগী খ্বাইদগী মাং থাদুনা লৈরিবা অসিদি বেঙ্কনা জে.এ.এস. ২০২০দা ৫৩%গী শরুক লৈবা অসিনি৷
- কোবিদ-১৯গী মরমদগী লৈখিবা লোকদাউনগী মতমগী মতুংদা জে.এ.এস. ২০২০গী ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস. অসিনা জে.এফ.এম. ২০২০গী ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস.কা চাংদম্নবদা ৯৬%গী চাংদা ফগৎখি৷
- বেঙ্কশিংনা সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবদা ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস. (৩৫,২২৫)তগী ১০%গী চাংদা হেন্দুনা ৩৮,৮৬২দা লৈখি৷
- এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ৯০+ থবক শোকপগী চাং অসি খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ১.২৫% ওইখি৷

খঙজিনগদবাঃ এম.এফ.আই. সেগমেন্ততা য়ুনিক লাইব বোরোৱর চাউরাক্না ক্রোর ৬মুক লৈ৷ তোপ-তোপ্পা কস্তমরশিংগী মশিংগী মরক্তা খেৎনবা লৈরিবা অসি কস্তমরশিংনা এস.এফ.বি., বেঙ্ক, এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই., এন.বি.এফ.সি. অমসুং প্রোফিৎ এম.এফ.আই. নত্তবশিংগা তোঙান-তোঙানবা মরী লৈবগীনি৷

## মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী মওং




পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং (করোরদা)

| ৱারোল | সেপ '১৯ | দিসেম'১৯ | মার '২০ | জুন'২০ | সেপ'২০ |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্ক | ৮০,৫২৬ | ৮৩,৭২৫ | ৯০,৬৪৩ | ৯১,৯২২ | ৯৩,৪১০ |
| এস.এফ.বি.শিং | ৩৪,২৯০ | ৩৬,৬৩৯ | ৪০,৫৩৯ | ৩৯,২২৫ | ৪২,৬৮২ |
| এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.শিং | ৬৩,৩৯৪ | ৬৭,১০৪ | ৭৪,৭৭১ | ৭১,৩৪২ | ৭০,১৪২ |
| এন.বি.এফ.সি.শিং | ১৯,৫০৮ | ১৯,৪১৫ | ২০,২২৫ | ১৯,৮৭৫ | ১৯,৮৩৮ |
| প্রোফিৎ নত্তবা এম.এফ.আই.শিং | ১,৯৭০ | ১,৮০২ | ১,৮৯৬ | ১,৮৪১ | ১,৭৭২ |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | ১৯৯,৬৮৮ | ২০৮,৬৮৬ | ২২৮,০৭৪ | ২২৪,২০৫ | ২২৭,৮৪৪ |
| ক্যু-ও-ক্যুগী শাহৌগী চাং % | - | ৫% | ৯% | -২% | ২% |

- মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা সেপ্তেম্বর '১৯দগী সেপ্তেম্বর '২০ ফাওবদা ১৪%গী চাংদা চাউখৎলে সেপ্তেম্বর ২০১৯দগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ২৮%গী ৱাই-ও-ৱাইগী শাহৌ অমসুং জুন ২০২০দগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবদা ৯% লৈদুনা এস.এফ.বি.না মাংজিল থাদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা পোর্তফোলিওগী শাহৌ লৈবা ওইরি।
- জুন ২০২০গী মনুংগী পি.ও.এস.তা অনৌবা লোন পীবদা হন্থরকপগী ফিভম লৈরিবা অসিদি লাইচৎকী মরমদগী লোকদাউন লৈখিবা অদুননি হায়না লৌনরি।


# শেল পীথোকপগী চৎনবী



## ইন্সতিত্যুসনগী ওইবা শেল পীথোকপগী চৎনবী

গ্রাফ-০৩

শেল পুথোকহনবগী মখলগী মার্কেৎ শ্যারগী চৎনবী




লোন পীখিবা মশিং (লাখতা)


| শেল পীথোকশিংগী মখল | জে.এ. এস.‘১৯ | ও.এন.দি.‘১৯ | জে.এফ.এম.‘২০ | এ.এম.জে.‘২০ | জে.এ.এ স.’২০ |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্ক | ৬৮ | ৭৪ | ৮৩ | ১৪ | ৪৫ |
| এস.এফ.বি.শিং | ৩১ | ৩৩ | ৩৩ | ৬ | ১৪ |
| এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই. | ৭০ | ৭০ | ৭২ | ২ | ২৮ |
| এন.বি.এফ.সি. | ১৩ | ১২ | ১১ | ০ | ৪ |
| প্রোফিৎ নত্তবা এম.এফ.আই. | ২ | ৩ | ২ | ১ | ১ |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | ১৮৪ | ১৯২ | ২০১ | ২৩ | ৯২ |

তেবল-০৩

- লৈবাক পুম্বা থুংনা লৈখিবা লোদাউন্না মরম ওইদুনা এ.এম.জে. ‘২০গী শেল পীথোকপা অসি করোর ৬৫৬৫দা তাথখি।
- বেঙ্ক অমসুং এস.এফ.বি.শিংনা মথংশিনৎনা ৬৭% অমসুং ২২% ওইদুনা লোকদাউন মনুংদা লোন খ্বাইদগী য়াম্না পীথোকখি।
  জে.এ.এস. ২০২০গী মনুংদা এ.এম.জে. ২০২০দগী জে.এ.এ ২০২০গী মনুংদা ভেল্যুগী হীরমদা শেল পীথোকখিবগী ওইনা ৩৯৩%গী শাহো লৌখিদুনা নীংথিজনা শেল খোমজিনবা ঙম্বগী ফিভম উখি। মসিগী শেল খোমজিনবগী হীরমদদি বেঙ্কনা ৫৩% য়ৌদুনা খ্বাইদগী মাংজিল থাখি অমসুং এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না ২৮% লোইদুনা তুং ইনখি। অদুবু, জে.এ.এস.২০২০গী মনুংদা ভেল্যুগী ওইনা শেল পীথোকখিবা অসি লোকদাউন ক্বার্তরগী মমাং (জে.এফ.এম. ’২০) ফাওবদা ৮৮% ওইখি।
- এ.এম.জে. ‘২০দগী জে.এ.এস.’২০ ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা ভোল্যুমগী মতুং ইন্না শেল পীথোকখিবগী শাহো লৌখিবা অসি ৩০০% ওইখি।

খঙজিনগদবাঃ সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ব্যুরোদা লাকখিবা দেতাগী মতুং ইন্না শেল পীথোকপগী চৎনবীগী ফিভম অসি অপদেৎ তৌবনি।

# ইন্দস্ত্রীগী তিকেৎকী চাওবগী চৎনবী




লোন পীখিবা মশিং (লাখতা)


| তিকেৎকী অচৌবা | জে.এ.এস.'১৯ | ও.এন.দি.'১৯ | জে.এফ.এম.'২০ | এ.এম.জে.'২০ | জে.এ.এস.'২০ | ৱাই-ও-ৱাইগী শাহৌগী চাং % |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ০কে-১০কে | ১১ | ১০ | ৯ | ২ | ৪ | -৬৪% |
| ১০কে-২০কে | ১৪ | ১৩ | ১২ | ১১ | ১৬ | ১৪% |
| ২০কে-৩০কে | ৫০ | ৪৮ | ৪৬ | ২ | ১৭ | -৬৬% |
| ৩০কে-৪০কে | ৬০ | ৬২ | ৬৩ | ৩ | ২১ | -৬৫% |
| ৪০কে-৫০কে | ২৫ | ২৯ | ৩৩ | ২ | ১৬ | -৩৬% |
| ৫০কে-৬০কে | ১০ | ১৫ | ১৯ | ২ | ৯ | -১০% |
| ৬০কে + | ১৩ | ১৫ | ১৯ | ২ | ৯ | -৩১% |
| অপুনবা | ১৮৪ | ১৯২ | ২০১ | ২৩ | ৯২ | -৫০% |
| ক্যু-ও-ক্যু লোন পীবগী শাহৌগী চাং % | - | ৪% | ৫% | -৮৯% | ৩০০% | - |
| ভারত পুম্বগী এ.তি.এস.(`) | ৩৩,৪০৪ | ৩৪,৮১৪ | ৩৬,৭৪৮ | ২৮,০৫৯ | ৩৫,২২৫ | ৫% |
| ক্যু-ও-ক্যু এ.তি.এস.কী শাহৌ লৌবগী চাং % | - | ৪% | ৬% | -২৪% | ২৬% | - |

- ১০কে-২০কেগী অচৌবগী লোন পাম্বগী (মার্কেৎ শ্যারগী ৮৭%) চাং অসি লোকদাউনগী মনুংদা নত্রগা এ.এম.জি. '২০গী কার্তরদা হেনগৎখি।
- ১০কে-২০কেগী অচৌবা লোনশিংনা অতোপ্পা তিকেৎকী চাউবা লোনশিংদগী ১৮%গী খ্বাইদগী য়াম্না ৱা-ও-ৱাই গী শাহৌ লৌখি।
- ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস.কী ৱাই-ও-ৱাইনা জে.এ.এস. ক্বার্তর '২০গী মনুংদা ৫%গী চাংদা হেনগৎখি।
- ইন্দস্ত্রী এ.তি.এস.কী ক্যু-ও-ক্যুনা এ.এম.জে. '২০দগী জে.এ.এস. '২০ ফাওবদা ২৬%গী শাহৌ লৌখি। মসিগী ক্বার্তরগী শাহৌ লৌবগী চাং অসি চাংচৎকী ওইনা ৪%দগী ৬% ফাওবগী মনুংদা লৈখি।

# ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল



## ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল




গ্রাফ-০৫

হেন্দোকপগী শোকপশিং

| মরী লৈনবা ক্বার্তর | ১-২৯ নুমিৎ হেন্দোকপা | ৩০-৫৯ নুমিৎ হেন্দোকপা | ৬০-৮৯ নুমিৎ হেন্দোকপা | ৯০-১৭৯ নুমিৎ হেন্দোকপা | ১-১৭৯ নুমিৎ হেন্দোকপা |
|---|---|---|---|---|---|
| সেপ্তেম্বর'১৯ | ১.৩১% | ০.৩৮% | ০.২৪% | ০.৪৩% | ২.৩৬% |
| দিসেম্বর'১৯ | ১.৭৯% | ০.৭০% | ০.৩৭% | ০.৫৪% | ৩.৪০% |
| মার্চ'২০ | ৩.৭২% | ০.৪৯% | ০.৪১% | ০.৮৭% | ৫.৪৯% |
| জুন'২০ | ১.৩০% | ১.০৩% | ০.৪৩% | ০.৪৩% | ৩.২০% |
| সেপ্তেম্বর'২০ | ১৫.৩৫% | ৩.৪৭% | ০.৩৯% | ০.৬৩% | ১৯.৮৩% |

তেবল-০৫

- ইন্দস্ত্রীগী ১+গী শোকপগী চাং অসি সেপ্তেম্বর ২০২০দা ১৯.৮৩% ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংখি।
- নুমিৎ ১-২৯ হেন্দোকপগী শোকপগী মতম অমসুং ৩০-৫৯গী নুমিৎ হেন্দোকপগী ফিভমশিং অসিদা জুন '২০গা চেংদম্নবদা সেপ্তেম্বর ২০২০দা মথংশিংনা ১৪.০৫% অমসুং ২.৮৮% হেনগৎপগী ফিভম উবা ফংখি।


# জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর



MicrofinancePulse


## State/UT wise Portfolio Outstanding as on September ২০২০

Map-০১





- সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী পেন ইন্দিয়াগী পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অসি করোর ২২৭,৮৪৪নি।
  পেন ইন্দিয়াগী পোর্তফোলিওদা মকোক থোংবা রাজ্য ৯না ৭৫%দগী হেন্না তেংবাংলি (তমিল নাদু, নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার, করনাতকা, মহারাস্ত্রা, উত্তর প্রদেশ, ওরিশা অমসুং অসম)।
- ভারতকী রাজ্য অয়াম্বনা পি.ও.এস. এক্সপোজর লুপা করোর ৫০০০ হেন্না লৈনৈ।

## সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী ওইনা রাজ্য/য়ু.তি. শিংগী ওইবা ৯০+ শোকপগী চাং




- পেন ইন্দিয়াগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী ৯০+ শোকপগী চাং অসি ০.৬৩%নি।
- সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী পেন ইন্দিয়াগী ৯০+ শোকপগী চাংগা চাংদম্নবদা এম.এফ.আই.গী মকোক থোংবা রাজ্যশিং- নোংচুপ বেঙ্গোল, তমিল নাদু অমসুং বিহারনা ৯০+গী শোকপগী চাং অসি নেম্বা থল্লি।

# এম.এফ.আই. ইন্দস্ত্রী অমসুং কোবিদ-১৯



## এম.এফ.আই. ইন্দস্ত্রী অমসুং কোবিদ-১৯গী চৈথেং

| মকোক থোংবা রাজ্য ৫ | জে.এ.এস. '১৯ (লাখতা ওইবা অকাউন্ত য়েঙ্খোকখিবা মশিং) | জে.এ.এস. '২০ (লাখতা ওইবা অকাউন্ত য়েঙ্খোকখিবা মশিং) | %গী শাহৌ | সেপ্তেম্বর ২৩, ২০২০ ফাওবগী অপুনবা কোবিদ-১৯গী কেস মশিং |
|---|---|---|---|---|
| তমিল নাদু | ২৭ | ১৩ | -৫১% | ৫৫২,৬৭৪ |
| নোংচুপ বেঙ্গোল | ২২ | ১১ | -৪৭% | ২৩১,৪৮৪ |
| বিহার | ২০ | ৯ | -৫৬% | ১৭২,৮৫৪ |
| করনাতকা | ১৯ | ৯ | -৫৪% | ৫৩৩,৮৫০ |
| মহারাস্ত্রা | ১৫ | ৬ | -৫৮% | ১,২৪২,৭৭০ |

| মকোক থোংবা রাজ্য ৫ | জে.এ.এস. '১৯ (লুপা করোরদা য়েঙ্খোকখিবা শেনফম) | জে.এ.এস. '২০ (লুপা করোরদা য়েঙ্খোকখিবা শেনফম) | %গী শাহৌ | সেপ্তেম্বর ২৩, ২০২০ ফাওবগী অপুনবা কোবিদ-১৯গী কেস মশিং |
|---|---|---|---|---|
| তমিল নাদু | ৮,৮৪৫ | ৩,৯৮০ | -৫৫% | ৫৫২,৬৭৪ |
| নোংচুপ বেঙ্গোল | ৯,২২৫ | ৫,০৫৭ | -৪৫% | ২৩১,৪৮৪ |
| বিহার | ৬,৮১০ | ৩,৪৪১ | -৪৯% | ১৭২,৮৫৪ |
| করনাতকা | ৫,০০৪ | ২,৭৬৬ | -৪৫% | ৫৩৩,৮৫০ |
| মহারাস্ত্রা | ৪,৩৭৭ | ১,৯৭৪ | -৫৫% | ১,২৪২,৭৭০ |


- মকোক থোংবা রাজ্য ৫না লোন্দা তেংবাংখিবা অমসুং ভোল্যুম অমসুং ভেল্যুগী মতাংদা লোন পীথোকখিবগী চাং অসি জে.এ.এস. '১৯গী ওইনা ৫৬%নি অমসুং মসিনা লাইচৎ লৈবদগী জে.এ.এস.'২০দা ৫২%গী চাংদা হন্থরকখি৷
- জে.এ.এস. '১৯দা মকোক থোংবা রাজ্য ৫না লোন লাখ ১০৩ পীথোকখি৷ জে.এ.এস. '২০দনা মকোক থোংবা রাজ্য ৫না লোন লাখ ৮৯ পীথোকখি অমসুং জে.এ.এস. '১৯গা চাংদম্নবদা ৫৩%গী চাংদা হন্থখি৷
- মকোক থোংবা রাজ্য ৫গী ওইনা, অপুনবা ওইনা পীথোকখিবা শেনফম অসি জে.এ.এস. '১৯দগী জে.এ.এস. '২০দা ৫০%গী চাংদা তাথখি৷

# এস্পিরেস্নেল জিলাশিং


MicrofinancePulse


## এস্পিরেস্নেল জিলাশিং – সেপ্তেম্বর ২০২০গী ফিভম

গ্রাফ-০৬




গ্রাফ-০৭

৩০+ অমসুং ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী লেন্দরগী থাকশিং




| Aspirational Districts Growth Particulars | December 2017 | September 2020 | Growth % |
|---|---|---|---|
| Active Customer Penetration ('000) | 4,155 | 7,308 | 76% |
| Disbursement Amount (₹crore) | 14,374* | 22,659** | 58% |
| Active Loans ('000) | 6,925 | 12,654 | 83% |
| Portfolio Outstanding (₹crore) | 11,175 | 26,726 | 139% |
| 30+ Delinquency | 1.54% | 3.02% | - |
| 90+ Delinquency | 0.75% | 0.35% | - |


Table-08

- Total portfolio outstanding in Aspirational Districts stood at ₹26,726 crore, as of September 2020, with 42% share of Banks, followed by 35% share of NBFC-MFI
- NBFC-MFIs have the highest 90+ delinquency across Aspirational Districts
- Portfolio Outstanding grew by 139% and disbursement amount witnessed growth of 58% from December 2017 to September 2020

## এম্পিরেস্নেল জিলা- কস্তমর অমসুং জিওগ্রাফীগী চাইথোকপা

গ্রাফ-০৮

পি.ও.এস. বক্কেৎকী মতুং ইন্না কস্তমর চাইথোকপা – এম্পিরেস্নেল জিলা




| জিলা | রাজ্য | পি.ও.এস. (`করোর) সেপ্তেম্বর ২০২০ | লাইব একাউন্ত('০০০) সেপ্তেম্বর ২০২০ | লাইব ইন্সতিত্যুসন *মশিং থীবা সেপ্তেম্বর ২০২০ | লাইব বোরোৱর('০০০) সেপ্তেম্বর ২০২০ | ৯০+ পি.ও.এস. দেলিঙ্কেন্সীসেপ্তেম্বর ২০২০ |
|---|---|---|---|---|---|---|
| মুজাফর্পুর | বিহার | ১,৭০৭ | ৭৯৩ | ৬৫ | ৫০৩ | ০.২৮% |
| বেগুসরাই | বিহার | ১,২৬১ | ৫৭৫ | ৬২ | ৩৩৮ | ০.২৭% |
| পুর্নিয়া | বিহার | ৯৮৩ | ৪৩৩ | ৫১ | ২৫৮ | ০.০৭% |
| ঔরঙ্গাবাদ | মহারাস্ত্রা | ৯৫০ | ৪৬১ | ৫৯ | ২২৭ | ০.৭৬% |
| দাহোর | গুজরাৎ | ৭৮৫ | ৩৯৪ | ৩৮ | ২১৮ | ০.০৬% |
| অরারিয়া | বিহার | ৭৫৪ | ৩৪১ | ৫৬ | ২০৮ | ০.০৫% |
| সিতামর্চী | বিহার | ৭৪৬ | ৩৫৭ | ৪১ | ২০৭ | ০.০১% |
| কতিহার | বিহার | ৭৪৫ | ৩৩২ | ৪৭ | ১৯৬ | ১.০৫% |
| বিরিধুনাগর | তমিল নাদু | ৭৪৩ | ৩৮৭ | ৪৮ | ১৯৫ | ০.৪০% |
| রামানাথপুরম | তমিল নাদু | ৬১১ | ৩০৭ | ৫৩ | ১৬৩ | ০.১০% |

তেবল-০৯

- এম্পিরেস্নেল জিলাগী শেল পুবশিং অসি পি.ও.এস. বকেৎ ১০কেদগী ৫০কে ফাওবগী মনুংদা লৈ।
- বিহারগী জিলা ৫ হেনবনা সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা যুক্ষম ওইবা মকোক থোংবা এম্পিরেস্নেল জিলা ১০গী মনুং চল্লি।
- মুজাফর্পুরনা মকোক থোংবা এম্পিরেস্নেল জিলা পি.ও.এস.তা ১৮%গী চাংদা তেংবাংই। মসিগী মথংদা বেগুসরাই অমসুং পুর্নিয়ানা ১৪% অমসুং ১১% ওইদুনা তুং ইল্লি।
- সিতামারহিনা মকোক থোংবা এম্পিরেস্নেল জিলা ১০গী মনুংদা লৈদুনা ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী ০.০১%গী চাংদা লৈ। মসিনা অসিগুম্বা জিলাশিংগী সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী খ্বাইদগী নেম্বা দেলিঙ্কেন্সীনি।

* ইন্সতিত্যুৎ খরনা জিওগ্রাফী অমদগী হেনবগী মনুং চনবনা মরম ওইদুনা হঞ্জিনবা খরা য়াওবসু য়াই।


# রাজ্য অমগী পাক চাউবা প্রোফাইল: বিহার



MicrofinancePulse

## বিহার : রাজ্যগী শক্তম

গ্রাফ-০৯





| বিহারগী স্নেপশোৎ ভ্যু (সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী) | বেঙ্ক | এস.এফ.বি. | এন.বি.এফ.সি. -এম.এফ.আই. | এন.বি.এফ.সি.s | প্রোফিৎকী এম.এফ.আই. নত্তবশিং | অপুনবা ইন্দস্ত্রী |
|---|---|---|---|---|---|---|
| অপুনবা লোন ('০০০) | ৪,৪৬৮ | ১,৪৪৬ | ৪,০৫৫ | ১,১৩১ | ৩২২ | ১১,৪২২ |
| পোর্তফোলিও (করোরদা) | ১০,৫৭৭ | ৩,৩৮০ | ৭,৫৭৭ | ২,৭১২ | ৫৯২ | ২৪,৮৩৮ |
| পোর্তফোলিওই আউৎস্তেন্দিংগী মার্কেৎ শেয়র | ৪৩% | ১৪% | ৩০% | ১১% | ২% | ১০০% |
| য়েন্থোকখ্রবা শেনফম (করোরদা)– জে.এ.এস.'২০ | ১,৯৩৪ | ৩০২ | ৮৩২ | ২০৭ | ১৬৬ | ৩,৪৪১ |
| তিকেৎকী চাংচৎকী চাওবা(`) – জে.এ.এস.'২০ | ৪২,৭৪৩ | ৪১,৪৫৭ | ৩১,০৩০ | ৩৪,৯৪৪ | ৩৪,৬৫৩ | ৩৮,২০৯ |
| ৩০+ দেলিঙ্কেন্সী(পি.ও.এস.) | ১.৭৩% | ১.০৯% | ২.৪৯% | ০.১২% | ০.৬৩% | ১.৬৭% |
| ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী(পি.ও.এস.) | ০.০৬% | ০.০৬% | ০.৪৫% | ০.০১% | ০.২২% | ০.১৮% |

- বিহারনা এক্তিব লোন অমসুং পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মওংদা পেন ইন্দিয়া এম.এফ.আই. পোর্তফোলিওদা ১১%গী চাংদা তেৎবাংই।
- বিহারগী এ.তি.এস. অসি জে.এ.এস. '২০দা পেন ইন্দিয়াগী এ.তি.এস.তগী ৮% হেন্না চাওই।
- বিহারগী ৯০+দেলিঙ্কেন্সী অসিনা সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পেন ইন্দিয়াগী দেলিঙ্কেন্সীগা চাংদম্নবদা নীংথিনা শেন্নদুনা লৈ।
- বেঙ্কশিংনা লেন্দরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইদুনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা ৮৩% চাংদা তেৎবাংই।
- বেঙ্কশিংনা ৪২,৭৪৩ লৈদুনা বিহারগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা এ.তি.এস.কী হৌরকফম ওই অমসুং এস.এফ.বি.না ৪১,৮৪৭ ওইদুনা তুং ইল্লি।
- এন.বি.এফ.সি.না অতোপ্পা লেন্দরশিংগা চাংদম্নবদা ৩০+ অমসুং ৯০+ ৯০+দেলিঙ্কেন্সী অসি য়াম্না ফজনা ঙাক শেন্দুনা থম্মি।

## বিহার: ইন্সতিত্যুসনগী ওইবা য়েন্থোকপগী চৎনবী

গ্রাফ-১০





লোন থাদোকখিবা ('০০০দা)


| ৱারোল | জে.এ.এ স.'১৯ | ও.এন.দি.'১৯ | জে.এফ.এম.'২০ | এ.এম.জে.'২০ | জে.এ.এ স.'২০ |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্ক | ৮৫২ | ৯৪৬ | ১,০৮৩ | ২০৯ | ৪৫২ |
| এস.এফ.বি. | ২৩৬ | ২৭৮ | ৩৩৩ | ১৭ | ৭৩ |
| এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই. | ৭২৪ | ৮২৭ | ৯১৩ | ১৪ | ২৬৮ |
| এন.বি.এফ.সি. | ১৭৭ | ১৭৩ | ১৬২ | ১ | ৬০ |
| প্রোফিৎকী নত্তবা এম.এফ.আই. | ৪০ | ৬৮ | ৬৬ | ৪৮ | ৪৮ |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | ২,০২৯ | ২.২৯২ | ২.৫৫৭ | ২৮৯ | ৯০১ |

তেবল-১১

- জে.এ.এস. '১৯গা চাংদম্নবদা জে.এ.এস.'২০ লাইচৎকী চৈথেং উবা ফংই৷ জে.এ.এস.'১৯দগী জে.এ.এস. '২০দা শেল পীথোকপগী শেনফমনা ৪৯%গী চাংদা হন্থরকপগী ফিভম উবা ফংই৷
- জে.এ.এস. '১৯দগী জে.এ.এস. '২০দা লোন পীবগী থৌওংশিংদা ৫৬%কী চাংদা হন্থরকপা উবা ফংই৷
- অপুনবা ক্বার্তরগী ওইনা লোন পীবগী তেংবাংদা বেঙ্কনা খ্বাইদগী হেল্লি অমসুং মসিগী মতুংদা এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না তুং ইল্লি৷
- জে.এ.এস. '২০দা বেঙ্কনা লোন পীবদা তেংবাংবা অসি ৫০%নি অমসুং মসিগী মতুংদা এন.বি.এফ.সি.-এম.এফ.আই.না ৩০% ওইদুনা তুং ইল্লি৷
- এ.এম.জে. '২০দগী জে.এ.এস. '২০দা লোন পীবগী চাং অসি ২১২%দা হেনগৎলে৷


## বিহার: জিওগ্রাফিকেল পোর্তফোলিওগী তেংবাং





- সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা খুঙ্গংগী মফম্না ৫৭%গী চাংদা বিহারগী পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী য়াম্না তেংবাংলি অমসুং সেমি-অর্বান অমসুং অর্বান্না ৩৭% অমসুং ২% ওইদুনা তুং ইল্লি৷
- মফম খুদিংগী ওইনা বেঙ্কনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী চাউনা তেংবাংই৷
- রাজ্যগী ৯০+ পি.ও.এস.দেলিঙ্কেন্সীগা চাংদম্নবদা অর্বানগী মফম্না ৯০+ পি.ও.এস.দেলিঙ্কেন্সীগী চাং হেল্লি৷

## বিহার: শেল পুবশিং চাইথোকপা




- বিহারগী অপুনবা শেল পুবশিংগী ৪১%দি এম.এফ.আই. লোন অনিদগী হেন্না লৌই।
- ➢ পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মতুং ইন্না শেল-পুবশিং চাইথোকপগী ফিভম অসিনা শেল-পুবা মীওইশিংগী শরুক ৬৫%দি লুপা ১০,০০০ অমসুং ৫০,০০০ বকেৎকী মরক্তা লৈ হায়বা তাক্লি।

### এস.আই.দি.বি.আই.গী মরমদা ৱারোল খরা

স্মোল ইন্দস্ত্রীজ দিভেলপমেন্ত বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অসি ইং ১৯৯০গী পার্লিয়ামেন্তকী এক্ত অমগী মখাদা লিংখৎখিবনি। এস.আই.দি.বি.আই. অসিবু খুমাং চাউশিলহনবা, সজেল থাদবা অমসুং এম.এস.এম.ই. চাউখৎহন্নবা হীরম অহুমগী থবকশিং পাংথোক্লবা অমসুং পনখ্রিবা হীরমশিং অসিগা মরী লৈনবা ইন্সতিত্যুসনশিংগী মথৌশিংবু য়েংশিন্নবগীদমক্তা প্রিন্সিপল ফাইনেন্সিএল ইন্সতিত্যুসন অমা ওইনা থবক তৌবগী কাঙলোন য়াওরি। চহি কয়াগী মনুংদা, শেল থুমগী অমসুং চাউখৎপগী তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিংগী খুথাংদা বেঙ্ক অসিনা খুন্নাই কয়াগী মীওই কয়া অমগী পুন্সি অমসুং এম.এস.এম.ই.গী ইকোসীস্তেমগী মনুং চনবা ইন্তর্প্রাইস কয়াদা অফবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি।

এস.দি.বি.আই.না ভিজন ২.০গী মখাদা মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী মথক্তা এম.এস.এম.ই.গী হেল্থ ত্রেক্কর ওইরিবা এম.এস.এম.ই. পল্স, এম.এস.ই.গী ৱাখল্লোন অমসুং অপাম্বশিং খঙনবা, ক্রিসিদেক্স, ইন্দস্ত্রী সেক্তরশিংগী পাক-শনবা পাউদম, ইন্দস্ত্রী স্পোৎলাইৎ অমসুং ফিন্তেক লেন্দিং সেগমেন্তকী ক্রেদিৎ দেতাগী মরমদা খঙহন্নবা ফিন্তেক পল্সকুম্বা এম.এস.এম.ই.গী সেক্তরশিংদা লৈরিবা ই-পাউগী এসিমিত্রী অসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাং কয়া থৱাই য়াওনা পাংথোক্তুনা লাক্লি।

### মাইক্রোফাইনান্সকী লমদা এস.দি.বি.আই.

এস.দি.বি.আই.না মাইক্রোফাইনান্স ইহৌ অসিবু শৌগৎপগী খুথাংদা শেল থুমগী হীরম খুদিংবু মনুং চনবা পান্দম অমা ফংনবা থবক কয়া পাংথোকপদা লময়ানবা ওইদুনা লাক্লি। মাইক্রোফাইনান্সকী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা এম.এফ.আই. ১০০ হেনবদা মার্চ ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লুপা করোর ১৯,৮৭১গী চাউরাকপা শেনফম থাদখি। এম.এফ.আই.দা পীরিবা দেৎ অমসুং ইক্বিতীগী তেংবাং অসিবু মসিগী ইন্সতিত্যুসনশিং অসিদা কেপাসিতী বিলদিং তৌবগী তেংবাংবগী থৌওংশিংনা হেন্না নীংথিজনা তেংবাংলি। মসিদা নত্তনা, মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা হৌরকপদা শোন্না লৈরম্বদগী হৌজিক্তি  মপুং ফাবা ইন্দস্ত্রী অমা ওইহনবদসু তেংবাংলি। মাইক্রো লেন্দিংগী মতাংদা মশক থোকপা খোঙথাং নমা পায়খিৎবা অদুদি অপিকপা লোনশিংবু মার্কেত্তা চৎনরিবা ইন্তরেস্তকী চাং অসিদগী য়াম্না নেমহন্দুনা এস.দি.বি.আই.দগী হকথেংননা ফংহনখিবা অসিনি। মসিগী প্রয়াস হায়না মিংথোনবা খোঙথাং অসিগী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তা লৈবা শেল পুবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ০.৫০দগী লাখ ৫ ফাওবগী তিকেৎকী অচৌবা লোনশিং পীরি।

### ইকুইফেক্সকী ৱারোল খরা

ইকুইফেক্স অসি মালেমগী ইনফোর্মেসন সোল্যুসন কম্পেনী অমনি অমসুং মসিনা থাজনীংঙাই ওইবা তোপ তোপ্পা দেতা, য়েংশিনবগী অনৌবা থৌওং, তেক্নোলোজী শিজিন্নদুনা মালেম শিনবা থুংনা লৈরিবা লুপশিংবু মপাঙ্গল লৈহল্লি।

এতলান্তা, জি.এ.দাময়াই লোইশঙ লৈবা, ইকুইফেক্স অসিনা অৱাং-অমেরিকা, ময়াই অমসুং খা অমেরিকা, য়ুরোপ অমসুং এসিয়া পেসিফিক্কী মফমশিংগী লৈবাক ২৮দা থবক তৌই। মসিনা স্তেন্দর্দ অমসুং পোর (এস. অমসুং পি.) ৫০০® ইন্দেক্সকী মেম্বরসু ওই  অমসুং মসিগী কম্মন স্তোক অসি ই.এফ.এক্স. সীম্বোলগী মখাদা ন্যু য়োর্ক স্তোক এক্সচেঞ্জ (এন.ৱাই.এস.ই.)দা ত্রেদ তৌই। কম্পেনী অসিনা মালেম শিনবা থুংনা মীওই ১১,০০০ থবক শুনবা থম্মি।  ক্রেদিৎ ইন্দস্ত্রীদা চহি ১২০গী পুৱারী লৈরবা কম্পেনী অসিনা ইং ২০১০দা ভারতকী মার্কেত্তা চঙলকখি অমসুং মসিনা সি.আই.সি. অমা ওইনা থবক তৌনবা আর.বি.আই.না লাইসেন্স পীখি। হৌখিবা চহি ৯ অসিদা, ক্রেদিৎ ব্যুরো অসিনা বেঙ্ক, এন.বি.এফ.সি., এম.এফ.আই. অমসুং ইন্স্যুরর কয়া য়াওনা ৪০০০+ মেম্বর লৈবা ঙমখ্রে। মসিনা ইং ২০১৪দা এনালাইতিক্স ফর্ম অমবুসু লৌশিন্দুনা ভারত্তা হেন্না পাকথোক চাউথোকখি। ইকুইফেক্স এনালাইতিক্স প্রাইভেৎ লিমিতেদ অসি ইকুইফেক্সনা মপুং ওইনা মপু ওইবা ভারত্তা লৈবা এনালাইতিক্স এন্তাইতী অমনি অমসুং মসিনা মীয়ামগা মান্নদবা এনালাইতিক্সকী ৱারোইশিন পীদুনা কারবার অমসুং মসিগী কস্তমরশিংগী থবক থৌরমশিংবু হেন্না নুংঙাইহল্লি।

দিসক্লেমর

মাইক্রোফাইনান্স পল্স (পাউদম) অসি ইকুইফেক্স ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রাইভেৎ লিমিতেদ (ইকুইফেক্স)না শেম শাবনি। পাউজেল অসিবু য়েংশিন্দুনা অমসুং শিজিন্নদুনা, য়ুজরশিংনা মসিবু শিজিন্নবা অসি দিস্ক্লেমর অসিগী মখা পোনবনি হায়না খঙগনি। মসিগী পাউজেল অসি মাইক্রোফাইনেন্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পীরকপা ই-পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি। ইকুইফেক্সনা মসিগী পাউজেল অসি শেম্বদা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখ্রবসু, মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা পীরকপা অরানবা অমসুং লোইশিন্দবা ই-পাউশিংগী দাইত্য লৌবদি ঙম্লোই। মখা তাবা ওইনা, মসিগী রীপোর্ত অসিদা য়াওরিবা ই-পাউশিং অসি লোইনা চুম্মি হায়বগী গেরেন্তী লৌরোই। মসিগী পাউদম অসি হায়জরকপা মখল অমতবু চুম্মি/লাল্লি হায়না লৌবা নত্তে। মসিগী পাউদম অসিদা য়াওরিবা ই-পাউ অসিনা কনাগুম্বা অমতদা পাউতাক পীবা নত্ত্রগা মসিগী ই-পাউশিং অসি ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা শিজিন্নগদবনি হায়বা লৈতে। মসিগী রীপোর্ত অসিবু শিজিন্নবা অসি ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনী (রীগ্যুলেসন) এক্ত, ২০০৫, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রেগ্যুলেসন, ২০০৬, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ  রুলস, ২০০৬কী কাঙলোনগী মখাদনি। মসিগী রীপোর্ত অসিগী শরুক অমত্তা অয়াবা য়াওদনা শিজিন্নবা, নম্থোকপা য়ারোই।

*ভর্নেক্যুলর (ইংলিশ/হিন্দী এদিসন)দা ময়েক শেংদবা/থেন্নবা য়াওরক্লবদি, হায়রিবা মচাক অদুগী ইংলিশ/হিন্দী ভর্জন ফংবীগনি*

পাউ ফাওফম

ইকুইফেক্স ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রাইভেৎ লিমিতেদ

য়ুনিৎ নম্বর .৯৩১, ৩শুবা মথোল, ব্লিদিং নম্বর ৯,
সোলিতাইর কোর্পোরেৎ পার্ক, অন্ধেরী ঘাৎকোপর লিঙ্ক রোদ

অন্ধ্রী (ইস্ত), মুম্বাই - ৪০০ ০৯৩

তোল ফ্রী নম্বর.: ১৮০০ ২০৯৩২৪৭ ecissupport@equifax.com

স্মোল ইন্দস্ত্রীজ দিভেলপমেন্ত বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
স্বাভালম্বন ভবন, প্লোৎ নম্বর- সি. ১১, 'জি' ব্লোক
বেন্দ্রা কুর্লা কমপ্লেক্স, বেন্দ্রা (ইস্ত) মুম্বাই -৪০০ ০৫১ মহারাস্ত্রা
তোল ফ্রী নম্বর: ১৮০০ ২২৬৭৫৩ www.sidbi.in/en

কোপীরাইৎ © ২০২০, ইকুইফেক্স ইঙ্ক, এতলান্তা, জোর্জিয়া। হক খুদিংমক ঐখোয়গীনি। ইকুইফেক্স অসি ইকুইফেক্স ইঙ্কী রেজিস্তর তৌরবা ত্রেদমার্কনি।